# চিফ মিনিষ্টর য়াওনা তোঙান তোঙানবা পার্টিগী মীরেপশিং মীরেপচেশিং পীশিনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ৯:* লাক্লিবা জানুৱারি ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অসিদা মীখল থেংনগদৌরিবা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপচেশিং মরী লৈনবা আর ও শিংদা পীশিন্নখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ইলেক্সন কন্ত্রোল রুমদগী ফংবা পাউজী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা আর ও কৈরাও বিত্রগী মখাদা ৭- অন্দ্রো এ সিদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমার অমদি সি পি আই গী মীরেপ ডা: য়ুমখায়বম মনি সিংহনা মীরেপচে পীশিনখি। ৬-কৈরাও এ সিদা এমএসসিপিগী মীরেপ ওইরিবা করাম থমরজিৎনা মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও জিরিবামগী মখাদা ৪০ জিরিবাম এ সিদা আই এন সি গী মীরেপ টি ঐচ দেবেন্দ্রো অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ই দিপতিনা মীরেপচে পীশিনখি।

শওঙ্গং আর ওগী মখাদা ৩-খুরাই এ সিদা আই এন সি গী মীরেপ ডা: এন জি বিজয়, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ এস সুসিন্দ্রো অমদি এমএসসিপিগী মীরেপ এন বিহারীনা মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও অসিগী মখাদা ৮-লম্লাই এ সি গী ওইনা আই এন সি গী মীরেপ কেএসঐচ বিরেন, সি পি আই গী মীরেপ পি ঐচ পরিজাৎ, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ কে ঐচ ইবোমচানা মীরেপচে পীশিনখি। ১- খুন্দ্রাকপম এ সি দা সি পি আই গী মীরেপ এল প্রেমচন্দ্রনা মীরেপচে পীশিনখি। ২- হৈঙাং এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ এন বীরেন্না মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও পোরোম্পাৎকী মখাদা লৈবা ৪-ক্ষেত্রিগাও এ সিদা এন সি পি গী টিঐচ নন্দকিশোর, আই এন সি গী এম দি অসিম সাহ, এমএসসিপিগী ভিবেকরাজ ৱাংখেম, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী পি প্রেমানন্দ অমদি সি পি আই গী এ লালানা মীরেপচে পীশিনখি। ১৪- য়াইস্কুল এ সিদা আই এন সি গী এলাংবম চান্দ অমদি ইন্দিপেন্দন্ট মীরেপ টি ঐচ সত্যব্রতনা মীরেপচে পীশিনখি। ৫- থোংজু এ সিদা আই এন সি গী মীরেপ বিজয় কোইজম, এমএসসিপিগী মীরেপ ভাগ্যচন্দ্র শামুফাবানা মীরেপচে পীশিনখি। ১৫-ৱাংখৈ এ সি দা এমএসসিপিগী ও হেনরি, আই এন সি গী মীরেপ ৱাই ইরাবত, এন সি পিগী মীরেপ এম প্রফুলোনা মীরেপচে পীশিনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা আর ও থৌবালগী মখাদা ৩১- থৌবাল এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ ওইরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি বিজেপিগী মীরেপ ওইনাম ইন্দিরানা মীরেপচে পীশিনখি।

৩২- ৱাঙ্খেম এ সি দা এম পি পিগী মীরেপ ডা: নিমাইচান্দ লুৱাংনা মীরেপচে পীশিনখি। ৩৩- হৈরোক্তা আই এন সি গী এম ওকেন্দ্রো অমদি এম এস সি পি গী মীরেপ এন সুমতিবালা, ৩৪- ৱাঙজিং তেন্থাদা এম এস সি পিগী পি ব্রোজেন্না মীরেপচে পীশিনখি। ৩৫- খাঙবোক্তা আই এন সি গী ও লন্দোনি অমদি এম পি পি গী এল যাত্রানা মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও ককচিংগী মখাদা ৩৬-ৱাবগাই এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ এম দি ফাজুর রহিমনা মীরেপচে পীশিনখি। ৩৭- ককচিং এ সি দা সি পি আই গী মীরেপ নাওরেম অচৌবা, আই এন সি গী মীরেপ ৱাই শুরচন্দ্রনা মীরেপচে পীশিনখি। ৩৮- হিয়াংলম এ সি দা সি পি আই গী মীরেপ ডা: ৱাই রাধেশ্যাম অমদি ৩৯- শুগনু এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ কে রঞ্জিৎনা মীরেপচে পীশিনখি।

মোইরাং আর ও গী মখাদা ২৭-মোইরাং এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ এম পৃথিবিরাজ অমদি এন সি পি গী মীরেপ পি সরতচন্দ্রনা মীরেপচে পীশিনখি। ২৮- থাঙ্গ এ সি দা এম এস সি পিগী মীরেপ ঐচ কুঞ্জচন্দ্রনা মীরেপচে পীশিনখি। ২৯- কুম্বী এ সি দা সি পি আই গী মীরেপ এন মঙ্গিনা মীরেপচে পীশিনখ্রে।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা আর ও চুরাচান্দপুরগী মখাদা ৫৯- সাইকোট এ সি দা আই এন সিগী মীরেপ টি এন হাওকিপনা মীরেপচে পীশিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা আর ও লম্ফেলগী মখাদা ৯- থাংমৈবন্দ এ সি দা আই এন সিগী মীরেপ জ্যোতিন ৱাইখোম, বি জে পি গী মীরেপ এম ভোরোত, এন সি পি গী মীরেপ রাধাবিনোদ কোইজম অমদি ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ কে ঐচ জয়কিষন্না মীরেপচে পীশিনখি। ১১- শগোলবন্দ এ সিদা আই এন সি গী মীরেপ ডা: কেঐচ লোকেন অমদি এমএসসিপিগী মীরেপ আর কে ইমোনা মীরেপচে পীশিনখি। ১২- কৈশামথোং এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ এল জয়ন্তকুমার অমদি এমএসসিপিগী মীরেপ সি ঐচ গনেসলালনা মীরেপচে পীশিনখি। ১৩- শিংজমৈদা এমপিপিগী ঐচ নবশ্যাম অমদি আই এন সি গী মীরেপ আই হেমোচন্দ্রনা মীরেপচে পীশিনখি। ১০-উরিপোক এ সি দা হান্না মীরেপচে পীশিনখ্রবা বি জে পি গী মীরেপ নিংথৌখোঙজম ডা: নন্দোনা অমুক হন্না মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও ৱাঙ্গোয়গী মখাদা ২০- লংথবাল এ সি গী সি পি আই গী মীরেপ এন সিংহজিৎনা মীরেপচে পীশিনখি। ২১- নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্রদা সি পি আই গী মীরেপ ও মলেসনা মীরেপচে পীশিনখি। ২২- ৱাঙ্গোয় এ সিদা এন সি পিগী মীরেপ সলাম জয় অমদি এম এস সি পিগী মীরেপ ৱাই মনিনা মীরেপচে পীশিনখি। ২৩- ময়াং ইম্ফালদা বিজেপিগী মীরেপ ওইরিবা বোগীময়ুম মৌলানা অব্দুস সলামনা মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও লমশাংগী মখাদা ১৭- লমশাংদা এন সি পি গী মীরেপ এস রাজেন, আই এন সি গী মীরেপ দন্ত্রিয়ু ব্রজবীধু অমদি সি পি আই গী মীরেপ ফিজম পাকচাওনা মীরেপচে পীশিনখি। ১৬-সেকমাই এ সি দা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মীরেপ হৈখাম দিঙ্গোনা মীরেপচে পীশিনখি।

আর ও পাৎশোয়গী মখাদা ১৮- কোন্থৌজম এ সি দা আই এন সি গী ডা: সাপম রঞ্জন্না মীরেপচে পীশিনখি। ১৯- পাৎশোয়গী এ সি দা আই এন সি গী মীরেপ এ কে মিরাবাই মীরেপচে পীশিনখি হায়রি।